# মণিপুরগী থৌদাম সুমননা ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কি টিম লুচিংদুনা য়ুরোপ টুর শান্নরগনি

ন্যু দিল্লি, মে ২১ (এজেন্সী):

হোক্কি ইন্দিয়ানা ঙসি মীওই ১৮না শাবা নুপীগী জুনিয়র হোক্কি টিম লাওথোরকপদা মণিপুর মচা থৌদাম সুমননা কেপ্তেন ওইরগনি। টিম অসিনা আয়রলেন্দদা পাঙথোক্কদবা ফোর নেসন্স টুর্নামেন্ট অমসুং বেলারসকী টিমগা শান্নরগনি।



আয়রলেন্দগী কোনুং দব্লিনদা থা অসিগী ৩১দগা হৌগদৌরিবা স্কোটলেন্দ, কানাদা অমসুং য়ূম্বু আয়রলেন্দগা পূন্না কেন্টর ফিটজরেল্ড অন্দর ২১ ইন্টর্নেসনল ফোর নেসন্স টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মাঙওইননা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অসিনা আয়রিস নেসনল টিম অমসুং কানাদাগী জুনিয়র টিমগা মেচ অমমম মে ২৮ অমসুং শান্নগদৌরি। মে ৩১দগী হৌরগা টিম ৪না লম্বা তৌনগগৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি জুনগী ৪ ফাওবা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অদু লোয়রবা মতুং ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অসিনা আয়রিস নেসনল টিমগা জুন ৬তা মেচ অমগসু শান্নগনি। মদু লোয়রবা মতুং ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অসিনা বেলারসতা চত্তুনা লৈবাক অদুগী সেনিয়র, জুনিয়র অমসুং দিভলপমেন্ট টিমগা জুন ৯গী ফ্রেন্দলি মেচশিং শান্নগদৌরি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি মণিপুরদগী হৌখিবী দিফেন্দর থৌদাম সুমননা কেপ্তেন ওইরগা গগনদিপ কোরনা ভাইচ কেপ্তেন ওইগদৌরি। লোয়ননা নম্বর ৱান গোল কিপ্পর ওইনা মণিপুরদগী খারিবম বিচুনা ওইরি।

টিম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কি টিম অসিগী কোচ বলজিৎ সিংহনা ফোংদোকখিবদা লাক্কদৌরিবা চয়োল খর অসিদা ইন্দিয়গী জুনিয়র হোক্কি শান্নরোয়শিং অসিনা য়াম্না কান্নবা ফংগদবা মেচ কয়া শান্নবা ফংগদৌরি।

টিম অসি খনগৎপদা য়ুরোপকী লৈরিবা মফম অমসুং শান্নরোয়শিং অদুগী ফিভম য়েংখি। হন্দক্কী এক্সপোজর টুর্নামেন্ট কম টুর অসিনা ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কি শান্নরোয়শিং অসিবু মখাতানা মখোয়না অতোপ্পা মপাঙ্গলস কনবা টিমশিংগা লম্বা তৌনরকপদা পারা কয়া নৌনা খঙবা ঙম্লগনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কি টিমদা খনগৎলবা শান্নরোয়ই ১৮ অদদিঃ গোলকিপ্পরদা খারিবম বিচু অমসুং খুসবু। দিফেন্দরদা ইশিকা চৌধুরি, থৌদাম সুমন (কেপ্তেন), প্রিয়াঙ্কা, মহিমা চাওধুরি, সিমরন সিংহ অমসুং গগনদিপ কোর (ভাইচ কেপ্তেন)।

মিদফিল্ডদা প্রিটি, মরিয়ানা কুজুর, চেটনা, অজমিনা কুজুর অমসুং বলজিৎ কোরনি। লোয়ননা ফোর্ৱাদতা মুমতাজ খান, ব্যুটি দুংদুং, শর্মিলা, রীট অমসুং লালরিনদিকিনি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী সেনিয়র ৱুমেন্স হোক্কি টিমসু সাউথ কোরিয়াগা টুর অমা শান্নরি।

২১শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# এন সী ভি এফ সী-চুড়াচান্দপুর অমসুং এ ভি এফ এ-অকাম্পাৎ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ভেটরান এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ, মপান কাংজৈবুং অমসুং ১১ ষ্টার স্পোর্টিং ক্লবকী শান্নবুংশিংদা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোক্লিবা ২১শুবা চেলেঞ্জ কপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ ভি এফ এ-অকাম্পাৎনা অন্বা চৈরাপ কোর্টপু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে অমসুং ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচ অদুদনা এন সী ভি এফ সী-চুড়াচান্দপুরনা এফ সী-ঈ আই এম আই ভেটরানপু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ২১ না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৫ থোক্লা খায়দোক্তুনা মে ৪ দগী টিমশিংনা কম্পিটিসন তৌদুনা চথ্থরক্লিবনি।

ঙসিগী অহানবা মেচতা এ ভি এফ এ-অকাম্পাৎ অমসুং অন্বা-চৈরাপ কোর্ট লম্বা তৌখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা এ ভি এফ এনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। মখোয়গী একাউন্ট হাংনবগীদমক্তা এটেক কয়া চথবা হৌরকখি। মেচকী মিনট ৬ চৎপদা জর্সি নম্বর ২ প্রেমজিৎনা মখোয়গী টিমগী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাংজিল থাখি। মখা তানা লেপ্তুনা এটেক অদুমক চথ্থরকখি। মেচকী মিনট ১৫ চৎপদা এ ভি এফ এগী প্লেয়র প্রেমজিৎনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২-০ দা মাংজিল থাখি।

অন্বাগী মায়কৈদগীসু হেল্লিবা গোল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মখোয়গী ষ্ট্রাইকর অসি শোনবনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ ফাওবা একাউন্ট হাংবা ঙমদনা অদুমক লৈখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা হাফতা অন্বাগী প্লেয়রশিংনা হান্না শান্নরম্বা মতৌ অদু হোংদোক্লগা য়াম্না ফজবা মতৌ অমদা শান্নবা হৌরকখি। মেচকী মিনট ৩১ চৎপদা রাজেন রাই জর্সি নম্বর ১৮না অন্বাগী অহানবা গোল চন্দুনা স্কোর ১-২ দা লৈহনখি। মিনট ৯ কান্নরবা মতুংদা এ ভি এফ এগী প্রেমজিৎনা মিনট ৪০ চৎপদা মহাক্কী হেটট্রিক গোল চন্দুনা ৩-১ দা মাংজিল থাখি। অন্বাগী মায়কৈদগী হেল্লিবা গোল অনী অদু হন্দোক্লবা অকনবা প্রেসর পীদুনা তকশিল্লকখি। মেচকী মিনট ৪৬ চৎপদা মখোয়গী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২-৩ দা লৈখি। মকা তানা চনবা ঙমদবদগী এ ভি এফ এনা অন্বাবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থীবা পীখি।

ঙসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা এন সী ভি এফ সী-চুড়াচান্দপুর অমসুং এফ সী-ঈ আই এম আই ভেটরানস লম্বা তৌখি। মেচ অসি হেক হৌবদগী হৌনা এন সী ভি এফ সীনা এফ সী-ঈ আই এম আইবু য়াম্না লাকচনা শান্নরকখি। এন সী ভি এফ সীগী প্লেয়র দোমিনিক জর্সি নম্বর ৭ না মেচকী মিনট ৫ চৎপদা অহানবা স্কোর তৌদুনা ১-০ দা মাংজিল থাখি। মখা তানা এন সী ভি এফ সীনা এটেক কয়া চথ্থরকপনা মেচকী মিনট ১৮ চৎপদা দোমিনিককী অনীশুবা গোল চন্দুনা স্কোর ২-০ দা লৈহনখি। মখা তানা এফ সী-ঈ আই এম আইনা একাউন্ট হাংনবা হোৎনরবসু মেচকী অরোইবা মিনট ফাওবা হাংবা ভমদনা লৈবনা এন সী ভি এফ সীনা এফ সী-ঈ আই এম আইবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা মপাল কাংজৈবুংদা হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবদা সাইক্লোন (এ) অমসুং এফ ভি দব্লিয়ু এ-মপাল কাংজৈবুংগা লম্বা তৌরগনি।

লম্বাময়ুম নোংথোন সিংহ মেমোরিএল

# সেক্তা এফ সীনা দেন্নি এফ সীবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):

এন জি এল নোংপোক লৌরেম্বমনা শীন্দুনা নোংপোক লৌরেম্বম প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৪শুবা ষ্টেট ওপন ৭-এসাইদ কেশ প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা সেক্তা এফ সীনা দেন্নি এফ সীবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি টিম ১৬ না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা মে ৫ দগী টিমশিংনা কম্পিটিসন তৌদুনা চথ্থরক্লিবনি।

মেচ অসিগী অহানবা হাফতা টিম অনীগী প্লেয়রশিং য়াম্না কন্না মখোয়-মখোয়গী টিমনা সেমি ফাইনেল চঙনবা শান্নরকখি। সেক্তা এফ সীগী মায়কৈদগী লেপ্পা লৈতনা এটেক চথবা হৌরককি। এটেক অদু সেক্তা-এফ সীগী প্লেয়র পি ঐচ হেগৌ জর্সি নম্বর ৯ না মেচকী মিনট ১২ চৎপদা অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাংজিল থাখি। মখা তানা দেন্নি এফ সীনা মখোয়গী একাউন্ট হাংনবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু অহানবা হাফ ফাওবা হাংবা ঙমদনা অদুমক লৈখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না অহেনবা প্রেসর পীদুনা অকনবা লম্বা তৌখি। দেন্নি এফ সীগী মায়কৈদগীসু একাউন্ট হাংবা ঙম্নবা লালোং কয়া শীজিন্নদুনা এটেক চথ্থরকখি। অদুবু সেক্তা এফ সীগী দিফেন্দর লাইন য়াম্না লিংনা লৈবনা গোল ওন্থোকপদি ঙমদনা অদুমক লৈখি। মেচকী লোইরমদাই মিনট ৫৩ চৎপদা দেন্নি এফ সীগী প্লেয়র মৈরাবনা শোয়বদগী মশাগী গোলদা চনখিবদগী সেক্তা এফ সীনা স্কোর ২-০ দা মাংজিল থাখি। মখা তানা দেন্নি এফ সীনা স্কোর তৌবা ঙমদবদগী গোল ২-০ দা সেক্তানা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

# এ এম ৱাই সী অমসুং পি আর এস সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):

পাওরাবী রাইজিং ষ্টার ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ২শুবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ এম ৱাই সী অমসুং পি আর এস সী মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ূক শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা মেচতা এ এম ৱাই সী অমসুং আর ৱাই সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু এ এম ৱাই সীগী মায়কৈদগী ষ্ট্রেট সেট ৩ (২৫-১০, ২৫-১৭, ২৪-১৪)দা থোইখি। নুংথিল শান্নখিবা তরুকশুবা মেচ অদুদনা পি আর এস সীনা এম টি টিবু ৩-১ (২৭-২৫, ২১-২৫, ২৫-১১, ২৫-১৯) দা থোইখি।

হয়েং অয়ূক টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেচ ওইনা এন এন সী কে অমসুং ৭ ষ্টার অদুগা নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেচ ওইনা এস দব্লিয়ু ঈ সী এ অমসুং এম ৱাই দি সী শান্নগনি।

৫শুবা ভি এস ও ট্রোফি ২০১৯

# তাঞ্জুল এফ সীনা ইন্দিবর এফ সীবু মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):

খোংজোম সর্কল ভেটরান স্পোর্টস ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী তেকচম হায়র সেকেন্দরি শান্নবুং, তেকচম কাংজৈবুং চীংথম, সাপম অমদি লাঙথেল শান্নবুংদা টিম ২২ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথ্থরিবা ৫শুবা ভি এস ও ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা তাঞ্জুল এফ সী- তেকচমনা ইন্দিবর এফ সীবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ২২ না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা মে ১ দগী টিমশিংনা কম্পিটিসন তৌদুনা চথ্থরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা তাঞ্জুল এফ সী অমসুং ইন্দিবর এফ সী লম্বা তৌখি।

মেচ অসিগী অহানবা হাফ হেক হৌরকপদা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নরকখি। তাঞ্জুল এফ সীনা য়াম্না শিংনা ইন্দিবর এফ সীগী অশোনবা মফমশিং খঙদোক্তুনা এটেক কয়া চথ্থরকখি। মখোয়গী এটেক অদু প্রেম জর্সি নম্বর ১২ না মেচকী মিনট ২৯ চৎপদা গোল ওন্থোক্তুনা স্কোর ১-০ দা মাংজিল থাখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা হাফতা তাঞ্জুল এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। অনীশুবা হাফ অসিদা ইন্দিবর এফ সীগী প্লেয়রশিং অসি হান্না শান্নরম্বা মতৌ অদুগুম্না শান্নবা ঙম্লকখিদে। মদুগী তাঞ্জা অদু লৌরগা তাঞ্জুল এফ সীগী সহিদুর জর্সি নম্বর ১১ না মিনট ৩৯ চৎপদা গোল চন্দুনা ২-০ দা মাংজিল থাখি। অমুক্কসু সহিদুরনা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা মিনট ৪৫ দা চন্দুনা ৩-০ দা লৈহনখি। শুপ্নতগী মিনট ১ খক কান্নরগা ৪৬ চৎপা মিনটতা ইন্দিবর এফ সীগী প্লেয়র সুরজ জর্সি নম্বর ১০ না মখোয়গী টিমগী একাউন্ট হাংখি। লোইরমদাই মিনট ৫৩ চৎপদা তাঞ্জুল এফ সীগী প্লেয়র প্রিতমনা ৪শুবা গোল চন্দুনা ৪-১ মায়থীবা পীখি।

# এম পি এস সী অমসুং সেথু ফাইনেলগী শেম শাবা লোইখ্রে

লুধিয়ানা, মে ২১ (এজেন্সী):

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী লমজিং মখাদা পাঙথোকপা অহুল্লকশুবা হিরো ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী হয়েং শান্নগদবা ফাইনেলগীদমক মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) অমসুং তামিল নাদুগী সেথু এফ সী শেম শাবা লোইরে।

পনবা য়াই, টিম অনীমক লিগ টুর্নামেন্ট অসিগী হৌরকপদা গ্রুপ-২ দা পূন্না লৈমিন্নখি। মদুদা সেথু এফ সীনা এম পি এস সীবু পাঞ্জল ৪-৩ দা মায়থীবা পীখি। হয়েংগী ফাইনেল অসিদা এম পি এস সীনা লমন শিংদুনা টাইটল লৌনবা হোৎনগদৌরি।

# মরিশুবা ষ্টেট লেবেল মুক্না চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর মুক্না এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা চিংফু নিংথৌ শেম্বী লৈমা থৌগল লূপনা শীন্দুনা চিংফু নিংথৌ শেম্বী লৈমা হরাওবুংদা চহীগী হরাওবগা মরী লৈননা ৪শুবা ষ্টেট লেবেল মুক্না চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লৈমপোকপম জিল্লা পরিষদকী মেম্বর এল জিতেন মৈতৈ, ইশোক গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান দব্লিয়ু দেবেন, সোসল ৱর্কর টি ঐচ পাকচাও, গ্রাম পঞ্চায়টকী মেম্বর ঐচ ইথেমথোই, এল উমাবতি, দব্লিয়ু নাওবা, সোসল ৱর্কর ঐচ হেমন্তা, ঐচ সোভা অমসুং ৱাই কেলিনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

চিংফু নিংথৌ শেম্বী লৈমা থৌগল লূপ ইশোককী সেক্রেটরি কে বিরেন মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদা মৈহৌরোলদগী শান্নরক্লবা মুক্না হায়রিবা মশান্না অসি লাই হরাওবদা মমিংতগী ওইনা শান্নবনা মুৎশিল্লকপা য়াবগী অকিবা লাকপনা মীয়াম চঙদুনা চাউখৎমিন্নবগী পান্দমদা মুক্না অসি লেপ্তুনা শিনবগী খোঙজং চঙশিল্লকপনি।

থৌরম অদুদা মুক্নারোই ২৫/২৫ না শরুক য়াদুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মুক্নারোই শান্নখি।

মুক্নারোই খূদিংনা অনীরক-অনীরক শান্নবদা ইম্ফাল ইষ্টকী টিমনা ৫ অদুগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা ২ থাখি। অদুগা লেমহৌরিবশিংনা অমুক-অমুক থানখি।

ক্যামগৈদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী যত্রানা লেপখিবা মিলননা ইথাইদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী যাত্রা লেপখিবা মলেমঙানববু মিনট ১.৪৭ তা থাদুনা ৱিন্নর ওইখি।

# গোপাল এফ সী মায় পাকখ্রে, এম আর সী অমসুং মান হর্টা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):

করাম অৱাং লৈকাই য়ং ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোকপা অনীশুবা ষ্টেট লেবেল ইবুধৌ নোংশাবা সভেন এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা গোপাল এফ সী মায় পাকখ্রে। লোয়ননা এম আর সী অমসুং মান হর্টা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি নুংথিলগী অহানবা গ্রাউন্দদা গোপাল এফ সী অমসুং আই ৱাই সী নারান কোঞ্জিল লম্বা তৌনখি।

অহানবা হাফতা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিং ফজবা মুভ পুখৎপা ঙম্নদনা স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে। হাফ অদু লোইখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী হৌরকপদা গোপাল এফ সীগী শান্নরোয়শিং হান্নদগী ফজবা হেনগৎলকখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী পুখৎলকপা এটেক অমদা শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৩ কে তোম্বনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহেনবা থৌনা পীরদুনা টিমমেট জর্সি নম্বর ১১ পি আনন্দনা মিনট ২খক্কী মতুংদা পাঞ্জল অনীশুবা অদু চনখি। মেচ অদুদা আই ৱাই সী নরান কোঞ্জিলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা য়াবগী খূদোংচাবা ইফং ফংখিদে। মদুগী ওন্ন- তৈনবদা পাঞ্জল ২ মাংজিল থারিবা গোপাল এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২ ও কৈফাবনা ইঞ্জ্যুরি টাইমনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা গোপাল এফ সীনা আই ৱাই সী নরান কোঞ্জিলবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এম আর সী অমসুং মান হর্টা লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিং অমনা অমগী মায়কৈদগী বোল মুন্ননবা হোৎনবদা মশান্না অসিগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা অরানবা থৌওং কয়া তৌবগীদমক টিম অদুমক্কী শান্নরোয় ২/২ রেফ্রিনা বুক তৌখি। শান্নবা লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখি।

# ৱাই এস সী অমসুং রোহিট এফ সী মায় পাকপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):

এস ৱাই দি এ অথোকপমনা শীন্দুনা মফম অদুদা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেবেল এস ৱাই দি এ ট্রোফি অন্দর-১৭ নাইন এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৱাই এস সী নাওরেম চাপ্রৌ অমসুং রোহিট এফ সী মায় পাকখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই এস সী নাওরেম চাপ্রৌ অমসুং নাওচা এফ সী লম্বা তৌনখি।

হৌরকপদা ৱাই এস সী নাওরেম চাপ্রৌগী শান্নরোয়শিং ফীভম ফজনা লৈখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী নাওচা এফ সীগী মায়কৈদা পুশিনখিবা বোল অমা মখোয়না খূদোংচাবা ফংবদগী পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৭ এন কিষননা শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ৱাই এফ সী নাওরেম চাপ্রৌনা নাওচা এফ সীবু পাঞ্জল ১-০ দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

অহানবা হাফ অদুগী মতম লোইশিল্লবা ফাওবদা নাওচা এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা ৱাই এস সী নাওরেম চাপ্রৌনা হেন্দুনা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা নাওচা এফ সীগী শান্নরোয়শিং শোথখিবা পাঞ্জল হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মখোয়গা মায়োক্নরিবা ৱাই এস সী নাওরেম চাপ্রৌগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী গোললাইন অদুবু নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা লৈখিবদগী মেচ অদু মখোয়না নাওচা এফ সীবু ১-০দা থোইরগা লোইশিনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা রোহিট এফ সী অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু এস ৱাই দি এ (বি)গা লম্বা তৌনবদা রোহিট এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নবগী য়াম্না ঙল্লিথৈঙে ৯শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৪ রোনাল্ডোনা পাঞ্জল ১ চনখি। মেচকী মখা তারকপা শান্নবগী অনীশুবা হাফতা এস ৱাই দি এগী শান্নরোয়শিং পাঙ্গল ফুদোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু রোহিট এফ সীগী রোনাল্ডোগী পাঞ্জলনা অদুম্মক লোইশিনখি।

# ১৯শুবা ষ্টেট লেবেল সব-জুনিয়র এন্দ জুনিয়র ৱুশু চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):

খুমন লম্পাক্কী স্পোর্ট কমপ্লেক্স ইন্দোর হোলগী ওপোজিটতা লৈবা এম ও এ ওফিসতা ১৯শুবা ষ্টেট লেবেল সব-জুনিয়র এন্দ জুনিয়র ৱুশু চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে।

মে ২১ দগী ২৪ ফাওবদা চথ্থগদবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা সেন্ট্রেল ৱুশু ইন্সটিট্যুট (সী দব্লিয়ু এ), ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসন, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসন, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসন, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসন, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া আর সী ক্লব, ককচীং দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসন হায়রিবা য়ুনিট অমসুং দিষ্ট্রিক্টশিংদগী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা চথ্থগদৌরিবনি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা পি দব্লিয়ু দিগী চীফ এঞ্জিনীয়র নোংমাইথেম নোরেন, দ্রোনাচারিয়া এৱার্দী সেন্টর-ইন-চার্জ, এস এ আই, লৈশাংথেম ইবোমচা, ৱুশু এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ময়াংলম্বম বিরমনিনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com